ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯅꯣꯕꯦꯝꯕꯔ ꯰꯴, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯲꯰ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, নবেম্বর ০৪, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ২২০ শুবা মশীং

# গাড়ীদগী লৈবাক তাহৌবা

## য়াদে খঙহন্নবা লৈঙাক্না থবক লৌখৎপা চুমগনি

**মীওইবগী** পুকচাক পীরিবা লৌবুক্তা লৌ খোইরুরগা কারকপা ত্রেক্টর নৎত্রগা কুবোটানচিংবা লন্বীগী মতায়দা নিংথিনা চামথোক-খোৎতোকপা তৌদনা মরুওইবা লন্বী কয়ামরুমদা থৌরকপদা লৈখোম চবুল-চবুল তাহৌই। অমোৎ-অকায় লৌখৎননবা লৈকায় লৈকায়দা চৎলিবা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগা মরী লৈনরিবা গাড়ী খরদগী লন্বীদা অমোৎ-অকায়, ফত্ত-হৌদিশিং তারম্বগী থৌদোক ৱাথোক কয়ামরুম থেংনরি। ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী অমোৎপা পুবা গাড়ী অদুদগী নুংশিৎনা হুল্লক্তুনা অমোৎ-অকায়শিং মশা নান্না গাড়ী মচা অমা তোংদুনা লাকপা মীওই অমদা তাশিনবদগী ৱা থোক্লবগী থৌদোক ফাওবা লৈখ্রে। পূন্নমক অসিগী মথক্তা মনিং মেন্দবা ত্রক টিপরদা লৈবাক/চীংলৈবাক মপোৎ-মপোৎ হাপচিল্লগা কৈথেল নংহৌররোই মতাগুম পুরকপগী লন্বীদা মতৎ-মতৎ ওইনা লৈবাকশিং তাহৌবগী থৌদোক কয়ামরুমসু থোক্লি। তাহৌরিবা লৈবাকশিং অদু নুংশা শারকপা মতম ওইরগনা উফুল-ৱাইফুল ওনখৎলকই। মদুনা মীওইবগী হকচাংদা অমোৎ-অকায় চেলহনবদা নত্তনা দষ্ট পোল্যুসন থোকহন্দুনা খ্বাইদগী ফীভম চাদবা পুন্সিরোল অমদা মীয়ামবু হিংহল্লি। মতমসিগা য়াম্না চান্নদবা মওং অমদা লৌমী খরনা ফৌ হুন্নবগীদমক খপতোল্লবা ফৌহামশিং অদু লন্বীগী ময়ায়দা হেক হেক হৈদোকপগী চৎনবী অমসু মণিপুরদা লৈরি। অসিগুম্বা চৎনবী অসিগী চনফম হৌজিক্তি লৈত্রে। মসি ঐখোয়না হৌজিক্কী মতমদা কলচরনি নৎত্রগা লাই-তীলগা মরী লৈনবা তঙাইফদ্রবা পোৎশক অমনি হায়না লৌননবগী মচাকসু লৈত্রে। চাওখৎলবা লৈবাকশিংদা লন্বীদা অমোৎ অকায় থাদবদি লায়রদনা থকপা লোইরবা চুরুট মতেক অদু ফাওবা হুন্দোক্লবা দসবিন থিবদা অৱাবা ওইনরিবনি। হৌজিক্তি লূ-হেনবা হায়বসি কলচরগী শরুক অমা ওইদবা য়ারক্রে। মসি মণিপুর খুন্নাইদদি কলচরগা য়াম্না নকশিন্নবা মরী লৈনদুনা লাকপনি। ইরুজদ্রিবমখৈ চাকচাদবা, চাক থোংদবা অমসুং ফিশেং শেৎত্রিমখৈ লাই-তীলগী থবক থৌরমশিং তৌবা য়াদে হায়বনচিংবশিং অদু হৌজিক্তি লূ-হেনবগী শরুক অমনি হায়বা মীয়াম্না খঙনরে। অসিগুম্বা ফীভম অসি লৈনা লৈনা ঐখোয়না ইশা অমদি অকোয়বগী ফীভমদা লূ-নালহন্নবা থবক লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈরবা মতমসিদা লন্বীদা অমোৎ-অকায় হুন্দোকপা অমদি মখুম খুমদনা পুবা পোৎশক কয়া লন্বীদা তাহৌবগী থৌদোকশিং অসি অচুম্বা নৎত্রে হায়বসি ঐখোয় পূন্নমক্না খঙমীন্নবা মতম য়ৌরে।

থিকা চাউনা-চাউনা তৌবা মচিন-ময়া হাইফেৎ তোংলবশিংনা থিকাগা মরী লৈনবা থবকশিংদা শীজিন্নরিবা গাড়ীশিংগী ফীভম কমদৌরিবগে, মসিনা মীওইবগী হকচাংদা করি অকায়বা থোকহনগদগে হায়বা মাঙজৌননা খনবগী মতম য়ৌরে। লৈবাক অসিগী মোটোর ভেহিকলগী রুলশিংগী মতুং ইন্না গাড়ী অমনা পোৎ পুবগী চাং মসিদগী হেনবা য়াদে হায়বা অমা লৈ। মসিগীসু মথক্তা পুগদৌরিবা পোৎ অদুগা গাড়ীগা চানব্রা হায়বা য়েংবগী তঙাইফদবা অমসু লৈ। পূন্নমক অসিগী মথক্তা পোৎ পুগদৌরিবা গাড়ী অদুদগী অমোৎ অকায়, ফত্ত-হৌদি, লৈবাকনচিংবা তাহৌদনবা করি থৌরাং লৌখৎলিবগে হায়বসি নৈনদবা য়াদবা মতাং য়ৌরক্লে। মসিগী মরুওইবা মরমদি লন্বী লমজাওদা অমোৎ অকায় ফত্ত-হৌদি পুরগা চৎলিবা ত্রকশিংগী মনিং মেন্দবনা মরম ওইরদুনা মখোয়না পুরিবা অমোৎ অকায়, ফত্ত-হৌদিশিং অদু লন্বীদা তাহৌই। নোংজু থাগী মতম ওইরগদি তাহৌরিবা অমোৎ-অকায় নৎত্রগা লৈবাক অদু লৈখোম ওন্থোরকই। কোইলাস মথক্তা লৈখোম চবুল-চবুল থাদরগদি মরুওইনা গাড়ী মচা থৌবশিংদি এক্সিদেন্ট থোক্লবগী চাউরবা মরম অমা ওইহল্লকই। নিংথম থা নৎত্রগা নোং চুরক্তবা মতমদনা উফুল-ৱাইফুল ওইনা মীওইবগী মীৎ-মায় খঙদবমখৈ পাইশিল্লকই। অসুম্না নেসনল হায়ৱেশিং অমদি ইম্ফালগী মরু ওইবা লন্বী অয়াম্বদা নুংশিৎনা হুল্লকপদগী খোঙনা চৎপা মীওই অমসুং গাড়ী মচা থৌদুনা লাকপশিংগী মীৎ-মায়দা পাইশিল্লকপনা নিংশা হোনবা ঙমহন্দে। লোক থুংহল্লি। হকচাং শোকহল্লি। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা ৱাফমদি, অমোৎ-অকায় পুবা গাড়ীশিং মখুম চেৎনা খুমগদবনি হায়বসি ত্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টনা গাড়ীশিংদা পীরিবা পার্মিট লৌবগী চেরোলদা নিংথিজনা য়াওই। মসিনা ত্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী ৱাফম ওইজরগসু চাওখৎলবা মতমসিদা মীওইবগী হকশেল হায়বসিদগী হেন্না মরুওইবা অমত্তা লৈতে। হকশেলদা কায়গদবা থবক অমত্তা কনাগুম্বনা তৌফম থোক্তে। মনিং মেন্দবা ত্রক্তা পুরকপা অমোৎপশিং লন্বী ফৎখিদ্রবা মফমদা থৌরকপদা শোয়দনা চোঙথোরক্কনি/তাহৌগনি হায়বা খঙদবা দ্রাইভর অমসুং গাড়ী মপূ অদু খ্বাইদগী তোনবা মীশকনি হায়দবা ঙমদে। মখোয়বু লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙলগা চৈরাক পীবা হায়বসিসু তঙাইফদবা অমা ওইহনগদবনি। মরুওইনা ত্রান্সপোর্ট, পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দ, পুলিসনা হীরম অসিদা মীৎয়েং চঙলগা মীওইবগী হকশেলগা মরী লৈননা পীরিবা খুদোংচাদবা অসি কোকহন্নীংই।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### নকলিদা পোৎ চৈ য়োনবশিংদগী

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**হৌজিক হৌজিক** খ্বাই বজারদা নকলিগী পোৎ চৈ য়োনবা কয়া লৈরে হায়বসি মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি। বল্ব অমদা ৱায়র খরা য়েৎলগা ইলেক্ট্রিক্তা চার্জ তৌরগা মতম খরা ঙানবা য়াই হায়দুনা য়োল্লিবসিদসু নকলিগী পোৎ য়াম্না য়াওরে হায়বসি শীজিন্নরিবা মীওই কয়ানা খঙনরে। বস মখোংদা ঘড়ী য়োল্লিবা কয়াগী ঘড়ী নকলিনি হায়বা খঙনবা কয়াসু য়াওনরে। মদুদা নত্তনা শউন্দি নত্তবা শউন মানবা বেল্ট কয়াসু য়োন্নরি। করিগুম্বা মতমদা মণিপুরগী মফম কয়াগী য়ূমথোং খুদিংদা চঙদুনা পোৎ য়োল্লরিবা কয়া অসিগী মরক্তা নকলিগী পোৎ কয়া থেংনরি। অসুম্না নকলিগী পোৎ কয়া অফবনিদি হায়রগা য়োনশিন্দুনা মীওই কয়াবু অপংবা শিবা অমদি নমথাক তৌবা অসি মতম কয়াগী মমাঙদগী চথদুনা ঙসি ফাওবা লাক্লি। ঐখোয়না বজারদগী অশেংবা অফবা পোৎনি হায়না লৈরুবা পোৎ অয়াম্বা শীজিন্নরবা মতুং মতম শাংনা চৎতবা কয়াসু য়াওদবা নত্তে। বজারদা ঙসি ঙসিমক কোয়চৎ চৎতুনা নৎত্রগা পার্কিংশিংদা হোংনা য়োল্লিবা পোৎ চৈ কয়া অয়াম্বনা নকলি ঙাক্তা ওইরম্বা মীয়াম্নসু থেংনরম্লগনি।

মমলবু হোংনা ফংলবা পোৎ অদু নকলি অদুম ওইরগদবনি। মরম অসিনা করিগুম্বা লৈদবা য়াদদুনা লৈরুরবসু য়াম্না কুপ্না খল্লগা, য়েংলগা অমদি য়োল্লিবা মী অদুদা অকুপ্পা হংবা য়াবা ৱাহং কয়া হংদুনা অশেংবা অমা খঙলগা লৈবনা হেন্না ফৈ। পোৎ অমা লৈবদা লৈরিবা পোৎ অদুগী কেশ মেমো পীবা ঙমদ্রগনা মাগী অধার কার্দ অদু ফোটোষ্টেট তৌদুনা মঙোন্দগী লৈবনি হায়দুনা মশাগী খূৎয়েক পীদুনা পোৎ অদু লৈবা মথৌ তাই। মরমদি লৈরিবা পোৎ অদুনা নকলি ওইরল্লবদি খুদক্তা চৎতুনা শিন্দোকহৌবদা চাউনা মতেং পাঙগনি। অসুম্না বজারদগী অমদি পার্কিংদগী পোৎ চৈ লৈবা মতমদা য়োল্লিবা পোৎ অদু অশেংবনি, শেংদবনি হায়বা কুপ্না য়েংলবা মতুংদা অপাম্বা পোৎ লৈবগী হৈনবী থম্বীগদবনি। হোংই হায়দুনা হেক্তা পোৎ লৈবগী হৈনবী তৌবীগনু, নকলিদা পোৎ য়োল্লিবশিংদগী চেকশিলহৌসি।

*অদোমগী - ফুরাইলাৎপম রেবতি শর্ম্মা*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬০

১। মখাগী ৱাহৈ পূংবা অনী অসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু।
(ক) খামীক-খানাক (খ) লোইন-খমইন।
২। ১৯৫১দা লমচৎ কোন্নবা পুন্সিদা য়ূম্ফম ওইবা অনৌবা মখলগী নোভেল অমা খুমন্থেম ইবোহলনা পুথোক্লকই। নোভেল অদুগী মমিং করি কৌই ?
৩। ১৯৮৯দনা মীওইবগী লমচৎকী অশোনবা ফীভম য়েকপা ‘অমৃত’ কৌবা নোভেল অমা থোক্লকই। অইবদু কনানো?
৪। ‘রাধা’ উপন্যাস ফোঙদুনা থোইবী দেবী অহানবা নুপী উপন্যাসকার ওইবা ঙমখি। করম্বা চহীদা ফোঙখিবগে?
৫। লাইরিক ওইনা ফোঙবদা ‘গ্রেত ৱার’ হায়বা অসিনা ঐখোয়গী ইহান হানবা লমকোয় ৱারীনি পানরি। কনানা ইবনো?

**মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, য়ূমশকৈশ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল** hueiyenliteraryquiz@gmail.com **সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।**

# ফাগী হৈবী ওইরম্লে

**ঙসি** তরেৎনিমুক্কী মমাঙদনি। কোরৌ নোংশিংদি কাউজখ্রে। মল্লি মল্লিরিঙৈনি। য়োৎলি তিংনদনা লাপ্না ৱারী শাবা য়াবা খূৎলায় অদুদগী মখোল শমিন অমা থাদোরক্লম্মী। য়াম্না ফৈজুপ হাইদোক্লিংদবা মতাংনি। তল্লবা খূৎ অসিনা তন্দে মান্দে ফমুং নাকন্দা থল্লিবা ফান্নাউ অদুদগী য়োৎলি তিংনদনা ৱারী শানবা খূৎলায় অদু মোল্লি মোল্লি কাংখল হাইদোক্তুনা পায়রগা মীৎ কূপ্তুনা মুন্না অমসুং মী-না লাউথোক্তুনা য়েংবদা ঐগী ইরুপ (ঐগী মরুপ অসিবু ঐনা ইরুপ হায়না কৌজরগে) ইপানজাউনা তৌরকপা ওইরম্মী। ৱারী শান্নবা খূৎলায় অদু তাপ ওক্তুনা ৱারী শানৈ। ঐনা কৈদৌরে ইতাউবী হায়বদা মা হৌজিক লায়েংশঙদা লৈরি হায়না খুল্লকই। ঐ শ্বাই লাউই। করি তৌরে ইতাউ হায়না হংলুবদা মাগী লোইনবী অদু নহান অঙাং উনবগী খরা মশা চোকথৈ হায়না লায়েংশঙদা লৈরি নুমিৎ অদুদা য়ূমদা হল্লক্কনি হায়রকই। মানা য়াম্না লুবা ৱা অমা লৈরে - অঙাং অসিবু করি কোলোই মিংলেন মিঙ্গৌসিগে ইতাউবীনা অমুক্তা হায়বিয়ু হায়না য়া শেংদ্রিঙৈ অদুদা তকথরকপনি। ঐদি তূম্বা মখা লৌথনীংলি। মাদি নুমিদাং পুং ২.৩০ তাবদগী হৌদুনা খোঙনা মতেক অমা কোয়রুরে হায়। মমায় মমীৎ তারে। য়াশেং শদুদা য়াশেং হীদাক (য়াইদাক) হাপ্তুনা য়াদা শদুনা তকপগা লোইনা লোইরে হায়না পাউদমলকখি। মাদি ঈশিংদা অঙৌবা অথুম্বা মকূপ মকূপনা উনা অখুইবা মকূপকা থাদদুনা শেম্বা ঈশিং মহীগা থকপগা লোইরে হায়না পাউদমলকখি। মসিদসু নৎতনা নোংথাঙমৈ থানগৎতুনা পাউচেসু পারে, অমাঙশঙ চঙবসু লোইরে হায়না লাপ্না ৱারী শাননবা খূৎলায় অদুদা হায়রকখি। মরু ওইনা মানা থমলকখিবা ৱাফমদি মাগী মচানুপা পারী নাৱা অদুগী কোলোয় মিংলেনবু করি মিংথোনসিগে হায়না লাপ্না কোক উরু উরু লৈখায়হল্লগা পোকখায়হল্লকপা অসিনি। ঐ ফমুংদা লোংনা হীপ্তুনা ৱাখল তৌখি। কদাইদগীনো ওন্থোক্লা ফজবা মিংলেন অমা ইচিনসিদগী উরু থোকপীনা শাইজিন্দগী পাইথোকখিবগুম্না হায়দোকখি - নিংথমজাউ কৌরো ইতাউবী। মানা হায়রকখি - ইতাউবী নিংথমজাউদি কৌনীংদে, নিংথেমজাউ ওইনা কৌজরগে। ঐনা শিতৎ তৎতুনা নিংথেমজাউ কৌবা য়ারোই। মাদি নিংথেমসু নৎতে। অচৌবসু নৎতে পোকপদা মঙায়রি পিশকসু পীক্লি করমহায়না নিংথেমজাউ হায়না কৌগনি। অদুগী শরুক




## ৱাইরু-ৱাইরুবদা

মহাক নিংথমনা হৌরকপা নুমিৎতা পোকপনি নিংথমজাউ কৌবা করি কায়? নিংথেমজাউ হায়বা মমিং অসিদি মরাংসু য়াম্না কায়রে। ষণ হুরানবা নিংথেমজাউ, শেল হাৎপা নিংথেমজাউ, ঙানু হুরানবা নিংথেমজাউ হায়দনা নিংথেমজাউগী নিংথেমজাউ ঙাক্তা য়াম্না লৈখ্রে। অদুগী শরুক কনা অমত্তনা থোন্নদ্রিবা ইশেং শেংবা মক্ত্রিবা শেল চারুদ্রিবা, ঙানু হুরাল্লুদ্রিবা, নুপী নহাদা চোপ্পুদ্রিবা, কনা অমত্তদা কায়রম্বগী ৱারী লৈত্রিবা নিংথমজাউ হায়বা মমিং অসিবু থম্মোয় শেংনা থোনবদা হরাউ হরাউ থোন্নীংদ্রিবা অসিবু পোকপদমক ঙায়রিবা ইচাদুবু শুক্লুং নুংশিবীদ্রবরা হায়না হংজিল্লুই। নিংথম্বদগী লৌবা নিংথমজাউনি - নিংথম্বা হায়বা ৱাহৈ অসিবু য়াম্না ফজদবা ৱাহৈরো? কনা কনানা নিংথমজাউ কৌবা মী অমনা কাতু কারন তৌরম্বগী পাউ পাউ-ফোঙচেদা য়াওখিবা তানখ্রবগে? অদুনদি মী মমিংগসি অসুম অসুম্বা অনৌ-অনৌবা থোনবা য়াম ফজরক্তৌ মাল্লে। নহান নোংদি লীলি কৌবী লোইশঙ পানরোয় অমনা লোইশঙগী অকা কাদবগী য়েংশিল খোঙচৎ অমা চৎলি হায় অদুদা লোইশঙ কাদবা কাদবী খরা থেংনৈ হায়না ৱারী তাই। মানা মখোয় পূম্বা ময়ায় লোইশঙদা (লোইশঙলেন্দা) কৌখৎলে। অদুগা নখোয়না কাদবগী মরম মরমদু শেংনা শেংনা হায়রো হায়না ইবেম্মা লীলিনা তকখৎলে। ময়ামদুনা খুদোরক্লিবদু লীলি লৈমনা শুকপেন পেন্দ্রে...। অদুনা লুপা লিশীং মঙা মঙাদা য়ানরসি হায়না হায়রে হায়। লোইশঙ অদুদি পল্লু শুকহায় হায়বিরগনু। মদুদগীদি ৱারু নোংজু খরা থোক্কে তৌরমাল্লে- ফোন তৌদুনা লীলি অদু মথক থোংবনা তকথবীরমাল্লে। নীংথমথাগী ঈংবগা চঙদ্রে হায়। অদুদা মমৈদা লীলিনা খুল্লকখি হায়, থওইনা শেল চাগে হায়বা নৎতে ফাগী তৌবনে, ফাগী হায়বা মথক থোংবা অদুদা য়াম্না ওইনজ মরৈ কোল্লগা নোক্তুনা খুমখি হায়। লীলি কৌবা মমিং ফজখ্রবসে মোৎশিনবীরে, অদুনা ঐদি ইচা ইশুদা মীনা হান্না থোন্নখ্রবা অমোৎপা মমিং লীলিগা থোন্নীংদ্রে।

# ফেষ্টিবেল অমসুং সঙাই

**নবকুমার ওইনা**

**য়েংবা** য়াবা মফমদি ময়াম লৈ, য়েংবা য়ানবা শিন্দবা হায়বা তারে। চীংগী লমদম ওইবনা লন্বী থোং শেম্বদি অরায়বা নত্তে। হৌজিক্তি য়েংনীংবা নৎত্রগা য়েংহন্নীংবা পোক্নরকপনি। য়েংহন্নীংবা হায়বসি কুম্মৈ ওইনা শিল্লগা য়াগদৌবদি মান্দে। হাৎপা-তুপ্পা মরক্তা লম য়েংলো-লাও হায়বসি টুরিজমগী কয়াৎ অমা ওইনা শীজিন্নবদি য়াগদৌবা মান্দ্রি। খৎনরিবসিসু ইমুং মুৎনবনি, খন্নরিবসিসু ইমুং মনুংদনি।

ফেষ্টিবেল অমগী মমিং সঙাই হায়না থোনবসি সঙাই হায়বসি অতাঙবা ওইবদগী টুরিষ্টশিংগী য়েংনিংবা পোক্লফম ওইবদগীনি। সঙাই হায়না মমিং থোনবদগী ফেষ্টিবেলদু কৈবুলদা তৌগদৌবনি হায়বা নত্তে, কৈবুল লমজাউসি টুরিষ্ট স্পোর্ট অমা ওইবদগী শেমগৎলু, ফেষ্টিবেলদুগী সাইট অমা ওইহল্লু হায়বা ওইগনি খল্লি। সঙাইদু লৈবাক্না শারগা য়েংহনগদৌবা ওইরবদি, লিলিসু চেনা শারগা য়েংহল্লো, কাইলামসু টেবলদা শারগা য়েংহল্লো, লোইনমক ফোটো ওইনদুম উহল্লগা য়ারগনি। লোক্তাক্তি এরোপ্লেন্দগী উবদুনা প্লেন্দগী কুল্লক্তনা হনখ্রবসু য়ারগনি। হংনরিবসি সঙাইগী লৈফম উহন্নীংদ্রিবা করিগীনো হায়বা অসিনি। থাদখিবা পৈশা কয়া য়ামখ্রবগে, সঙাইগী থাদখিবা পৈশাদু কৈবুলদা উরিবসিগা চানরিব্রা? মদু খঙহন্নীংদবদগী কৈবুলদা মী চঙহন্নীংদবা ওইবসু য়ারিবনি। ফেষ্টিবেলদু টুরিজমগী ওইদ্রবদি সঙাই উদ্রবসু য়াগনি। ফেষ্টিবেলসু পৈশা তানবগী ওইবরা সঙাইসু পৈশা তানবগী ওইদুনা অদুম লৈখিগনি। পৈশা তানবগী ফেষ্টিবেল ওইরবদি সনা-লুপা, দ্রগ কয়া টুরিষ্টশিংনা পুথোক পুশিন তৌবদা অথিংবা পীফমদি থোক্ত্রবনি, পূনরম্বসু য়ারিবনি।

সঙাই ফেষ্টিবেলসি টুরিজম ফেষ্টিবেলনি হায়বা কাউবা য়াওনরকপদগী থিকা ফেষ্টিবেল ওইনা লৌবা মীওইনা য়াম্বা হেনগৎলকপগুম উরকই। হৌজিক্তি লৈখায় তানরকপগী মওং উরল্লগনি খল্লে। লন্বীদা লাকপদা ঊগাদৌরিবসি খুদৈ শেৎপদি য়াম্না ঊগাদৌবা মান্দ্রে, লন্বী-মেদিয়ান পৈরিবা, লৈ থারিবা, ইলেক্ট্রিক্কী পোষ্ট পৈরিবা ময়ামসিদি অদুম উগনি খল্লি। গাড়ী থৌবা দ্রাইভরশিংগী শাজৎ অসিসু লোৎপদি ঙমগনি খন্দে। মরকসিদা পুলিসশিংনা থৎলগা পৈশা লৌবসিদংগা টুরিষ্টশিংদা ময়েক শেংনা উহনবা ঙল্লবদি ঐখোয়গী অশেংবা শক্তমদু উহনবনি হায়গনি। তৌবিবা তারবদি ফিজোলদংদি খরা ফজহনসি হায়নীংই। ফেষ্টিবেল মনুংদা গাড়ী চেক তৌবা তোল্লবদি অরানবা অমনি হায়গনি, ব্লেক মার্কেট শৌগৎপা ওইনা থোকপসু য়াই।

ঐখোয়গী মীয়ামসু ফেষ্টিবেল য়েংবা লাক্কদৌরিবনি। লমদমসিগী মীয়াম্না লমদমসিগী উগনি খনবদগী য়েংবা লাক্কদৌরিবনি। বোড়া চাবগী, অঙাংগী শান্নপোৎ লৈবগী লাকপা ওইরম্বসু য়ারিবনি। মী য়াম্বদগী পুলিসকা ইন্নবা হায়বসিসু ঐখোয় ময়ামগী শক্তম হায়বদু ওইরিবনি। থাফাদ্রবা মতমসিগী মনুংদা শেমদোকপদি নংগদৌবা মান্দ্রে, হন্দকসু অদুম উগদৌবা মাল্লি।

উহন্নীংই হায়দুনা অচেৎ-অকোম খাক্তনা লোয়নমক খঙহনবসু ফজগদৌবা মান্দে। লোক্তাক্তবু করি হেন্না য়াম্না ফজবা উগদৌরিবনো, মিৎকুপ অমদা উবদুদগী করিবু অহোংবা পীবা ঙমগদৌরিবনো? নাৎনি হায়গনি, ঙা ফাবগী মওংসু প্রিমিটিব ওইনা অদুম উগনি। লোক্তাক্তা ঙা য়োকই হায়বসি থাজদবসু য়াই, মান্দবদুনি। য়েংফমদি য়াম্মী-য়াম্মী হায়রগা কনানবু অনীরক হন্না লাক্কদৌরিবনো? নাৎ ওইনা লাইনীং অমত্তসু ময়েক শেংনা উরোই, ফৈজোম শেৎলগা লাইশঙ শংবদু নত্তনা লাই নীংবগী মওংদি অমত্তসু উরোই। চীংগোই মরুদা অমা শাগৎলি। লৈঙাক্না নত্তে, অনকপা লাল্লি হায়, চুম্মী হায়, অমা উহল্লগা তোকখিবসু য়াওরি। পুং চাম্মা-চনি য়ৈবা য়েংহন্দৌ শরুক থাঙ-তা চাম্মা-চাম্মা হাইহনবনা হেন্না হেন্না মিৎয়েং চিংশিনবা ঙমগনি খল্লি। মীচং-শঙ্গল নায়বদু উৎপগী মহুত্তা মালেমগী মীয়ামদা চমম্নদনা মতম শাংনা চৎনগদৌবা নাৎশিং উৎপনা চুমগনি। টিয়াংখম্না খম্বা শাহন্নীংই, চোথেনা চোথে থাংমায় পাখঙবা লাৎপদু উহন্নীংই, মৈ থাখিবা গাড়ীশিং লন্বীদা উহন্নীংদে। মী কাঙলুপশিং পূনশিন্নববু অমত্তা উগদৌবা মান্দে। লমদম অসিগী মীয়াম্না উবা পাম্বগা মপান দগী লাকপা মীশিংনা উবা পাম্বগা মান্নগনি হায়বা লৈতে। অনীমক্তা খঙহনবা পাম্বা করি লৈগনি। হৌদোকপনি, করি হাপচিনবা তারক্লিবগে? মীতৌ তম্বদু নত্তে, থবক শুগদৌবনি, মীরমদা চৎলুবা তারবসু লাইনা থাদরকপা অমত্তা উরক্লোই, মীনা শেম্বা মীনা শাগৎপা ঙাক্তা উরক্কনি। থিকা তৌরগা থবক্তি শুদনা শেমগৎপা-শাগৎপা য়াবা অমত্তা লৈরমদ্রে হায়বসি খঙমিন্নবা চঙই। সঙাই ফেষ্টিবেলদা মদুমক উহনবা ঙমদৌরিব্রা, থিকাদু ওইনা অদুম উগদৌরিব্রা? ৱাহংসিগী পাউখুম চিন্না খুমদ্রবসু থবক্লা অদুমক উগনি। মদুসু থাখায় অমত্তনি, চহী চুপ্পা তূমখ্রদৌবনি।

টুরিষ্ট হোম মখৈ সিফাই লৈশিল্লগা টুরিষ্ট ফেষ্টিবেল তৌবা তারবদি নাইট হোটেল হাংদোকপসি টুরিষ্ট হোমশিংদসু হাংবা তারকপনি। মদুনা হেন্না ময়েক শেংনা নুমিদাংদা মীয়াম্না শরুক য়াবা হেনগনি খল্লি। মীয়াম্না নুমিদাংগী পুং ৭-৮দগী মপান থোক্লদবগী নাৎ অমা ওইখৎলক্লিবসি ইকায়বদগী হোংদোক্লসি হায়রবদি, শাজৎসু খরা হোংদোক্লবা তারক্লি। থকপা খুদিং, চাবা খুদিং ঙাওথোকপনি খনবসি লাল্লকপদুনি, য়াম্না চেকশিল্লিবনি হায়দুনা মীগী য়েনখা লুখা কোয়শেন শেন্নবসিসু লোদদি য়ারমদৌ মাল্লক্তে। ফেষ্টিবেল মনুংদা প্রাইভেটসি অমসুং সেক্রেসিগী খেন্নবা কয়া য়াম্না উৎপা ঙমগদৌরি। মোব জষ্টিসনা ঙমগদৌরিব্রা লোনা ঙমগদৌরিব্রা? পুলিসনা করি তৌগদৌরি, করিবু ঙমগদৌরি? টুরিষ্টশিংনা করি উগদৌরি, ফজবসি করিনা ওইগদৌরি। কৈশামথোংগা লম্বোই খোংনাংখোঙগা করি খেন্নহনগদৌরি, করম্বনা ফগদৌরি? ৱাহংসিগী পাউখুমসু ফেষ্টিবেল অসিনা পুরকপা ওইসনু খল্লি।

অমরা অমরা ফেষ্টিবেল অসিনা অহোংবা অমদি পুরকপা ওইসনু। কান্নফমদি খঙদনা লুপা ক্রোর তরা-তরা লোইথোক্লগা ঈশিং থুল্লিবা য়ূমশিংনা ঈশিংদা অদুম তিংবা, লোক্তাক প্রোজেক্ট পৈশা অদুম মাঙবা, থৌশিল খুদিংমক মাঙনা-তাক্লবা, মুৎনবা শিনবা মাল্লক্লবা লৈবাক অমগী লৈঙাক্না করম্বা অচুম্বা অফবা তৌরক্কনি হায়বগীদমক থাজবা লৈনগদৌরিবনো? মসিবুনি মুখরল্লবা খুন্নাই হায়রিবসি। পৈশা খরা শায়েন-ঙায়েন্দা চাথোক্লরিবা অসিনা খুন্নাই অমা হিংলি হায়বদি য়ানরোই। ফেষ্টিবেল অমা তৌরগা হিংনবা লন্বী অমা য়াৎলবনি হায়না লৌবসু য়াদ্রি। চাইনাগীনা মতম অমদা থোঙ লোনশিন্দুনা লৈরুই, ঐখোয়গীনা থোঙ হান্না হাংদোকপনি। মনুংদা করিসু লৈতবদগী মীঙোন দা হান্না উহন্নীংলকপনি। পৈশা তানগদৌরিব্রা, পৈশা তিংগদৌরিব্রা ৱারেপ অমা হান্না লৈরবা নৎত্রি। চাগদৌরিবা, থক্কদৌরিবা পোৎ খুদিংমক ইশাগী অমত্তা য়াওরোইদৌরিবনি। ইশা ইশানা হিংজবা ঙম্নবগী হোৎনবা ঙমহৌদ্রগা ইশাগী মিংচৎ-ইকায়খুম্নফম থোকপা পূন্নমক য়োন্থোকখিবা তারকপরা। পৈশা ফংদ্রবদি হিংবা ঙল্লক্ত্রবা হায়বসি টুরিজম্না হিংহনবসু ঙল্লগদৌবনি হায়বদি লৈতে। থবক্তি খূৎনা শুগদৌবা নৎত্রে, কোক্না শুগদৌবনি হায়নরবা মতমনি। কোক য়াওদবা, থবক হৈতবা, মরিল তনবশিংনা থবক শুগনি হায়বসিনা হেন্না থাজবা য়াদবা ৱাফমনি। পূন্নমকসিগী মথক্তা পুকচেল শেংনদবা হায়বসিনা মাঙনা-তাক্লবা থৌশিল ওইরক্লিবনি। পুকচেল শেংবা হৈতবশিংনা তল্লগা মপুকচেল শেংলক্কনি হায়বসু লৈতে। পুকচেল শেংদবনা হৌরগা ফেষ্টিবেল অমা পুকচেল শেংনা লোইশিনগনি হায়বা লৈতে। হৌজিক হৌজিকসু পুকচেল শেংনদবগী ফেষ্টিবেল ওইনা অদুমক উনরিবনি। লৈবাক অসিদা মশাগী মরল-মথুম চুম্না লাউথোকউ য়াদ্রিবা মিনিষ্টর ময়াম লৈরিবনি। করম্বা ফেষ্টিবেলনা খুন্নাইসিগী শক্তমবু অচুম্বা লন্বী অমদা পুবা ঙমগদৌরি। খন্থরুবা মীপুম খুদিংমক্কী থম্মোয়দা হংনরিবা ৱাহংনি। চহী মঙা তরাগী মনুংদা মশক থোক্লবনি হায়বা টুরিজমগী চৎন-কাঙলোন অমা লৈরগনি হায়বসু থাজবা য়াবা নৎত্রি। য়েংফমশিং শেমগৎপনা হেন্না মতম চঙগনি।

পূন্নমক মীওই খরগী মখূৎতা লৈবদি নত্তে, মীয়াম য়াওদনা টুরিজম শেমগৎপসু য়াফম থোক্তে। মীয়াম্না হৈত্রবা, মীয়াম্না য়াদ্রবা টুরিজমগী মায়ওন করি ওইগদৌরিবগে? মীয়ামদা অথিংবা ময়াম থমজিল্লগা, মীয়ামগী থৱায় য়াওহন্দনা করম্বা ফেষ্টিবেল মারা তানা চথবা ঙমগদৌরি। মীয়াম্না চমম্নরিবা ফেষ্টিবেল অমনা মীয়ামগী শৌগৎফম থোকপদু শৌগৎলে হায়বা য়ারবরা? মেলাদা-মেলা মাল্লিবা ফেষ্টিবেল অমগী কান্নবা লৈবাক মীয়ামদা পীবা ঙম্বা হায়বসি খুদোপ-খুজি য়োনশিনবনা লোইরে হায়বা য়ারবরা? হেন্না মরু ওইরক্লিবদি ইশাগী পোথোক য়োনবসিনি। কাওনাগী খাও খরা য়োনবনা য়ারগদৌবা নত্তে। সনাগা লুম্বা মান্নবা সনা মচুগী মুগা ফি য়োনবা ঙল্লগদরা? মেছিন্না শাবা ফি ময়াম মরক্তা খূৎনা শাবা খুদৈ হিংবা ঙম্বা হৌনদে। ত্রিপুরাদা খূৎনা শাবা অমদি মমল ৱাংনা য়োলহৌই। দুকান্দা মীদি ইচং চঙনদে। লমদম অসিগী মীয়ামসু ইশাগী হোটেলদা চঙনদে, ইশাগী দুকান্দা চঙনদে, য়োনবা হৈতে লৈবা হৈতে। টুরিষ্টশিংদা করি পীজগদৌরি, করি মীয়োক মীচান উৎকদৌরি। ঈশিং মতাসিগা, কোল-লিক ফাওবা হামুক কোক্লবা ফেংদ্রবদি টুরিষ্ট কয়া য়াম্না পাল্লিবগে? হোটেল অমা অনী লৈরগা টুরিষ্ট চাম্মা-চাম্মা হেক্তা লাকউ হায়রুবা য়াবা নৎত্রি। শেমগৎলিবা শাগৎলিবা ময়ামসিগী মথক্তা ফজহনবা, লুবা-নানবা হায়বা অমা ইৱাৎ-ৱাৎলিবগুম তৌরিবনি। লন্বীখক্তা নানবা য়ারোই, টুরিষ্ট স্পোটশিংদু নানবা চঙই। প্লাষ্টিক খরা খুল্লগা য়ারোই, মী ওইনা নানবা অমা চঙলি। কোক য়াওদনা খূৎ নানবা ঙম্বা হৌনদে। মহৌশাগী শক্তম কায়দনা নানবা উগদৌবনি।

ফেষ্টিবেল অসিনা পাড়া তম্ফম ওইরগা চহী কয়া চঙনা শেমগৎপদা ঙল্লোইদৌবা করিসু লৈবা নত্তে। শেমগৎপগী পোৎচাক পুশিল্লক্লবা রেলগাড়ী থৌজিল্লকপসু ফেষ্টিবেলগী থৌরম অমা তঙাইফদনা ওইশিল্লক্লি। রেলগাড়ীগী পেসেঞ্জর খুদিং মীতোপ ওইনা য়েংবা য়ারক্লোই। ঐখোয়দা পৈশা পীরগদৌবা টুরিষ্ট ওইনা শীজিন্নবসু হৈফম থোকই। টুরিষ্টনা ঐখোয়বু য়োকখৎকনি হায়বসি থাজবনি থবক্তদি অরায়বা অমা নত্তে।